# য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহদা মীৎয়েং চঙবীনবা অমসুং ৱারোইশিন পুরক্লবা তকশিল্লগনি : কোনরাদ সংমা

শিল্লোং, নভেম্বর ২২ (এজেন্সি):

অসাম অমসুং মেঘলায়া ষ্টেট অনীগী তাইনবা ঙমখৈগী শরুক্তা থোকখিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক অমনা মেঘলায়াগী মায়কৈদা মীওই ৪ অদুগা অসামগী ১ শিহনখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপীনবা অমদি ষ্টেট অনীগী ঙমখৈগী শরুকশিংদা মতম কয়াগী মমাংদগী চয়েৎনবশিং থোক্তুনা লাক্লিবা অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহদা তকশিল্লগনি হায়না মেঘলায়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অসাম পুলিসনা চথখিবা কা হেনবা থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখিবদা, ঙমখৈগী শরুক্তা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক অসি থোক্লে হায়বগী পাউ হেক ফংবগা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট, এস পি অমদি ষ্টেট হোম মিনিষ্টর মফম অদুদা থুনা য়াঙনা চঙশিনখি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মেঘলায়া পুলিসনা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে। লাইবক থিবা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা মীওই ৪ অদুদি সি ধার, থোদ সদপ, সিক্স তলাং অমসুং তাং নরতিয়াংনি। থৌদোক অদুদা মীওই ২ সু ফিভম লুনা শোকখি। অদুগা অসামগী ওইনা লৈখিদ্রবা অদুনা বিদ্যা সিংহ লেখতে কৌই হায়রি।

থৌদোক অসি অসামগী ৱেষ্ট কর্বি অংলোং দিষ্ট্রিক্টকী অসামগা তাইনবা মুক্রাং এরিয়াদা থোকখিবনি। রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না উ হাপ্পুনা পুরকপা ট্রক অমা অসাম পুলিস অমদি অসাম ফোরেষ্ট ওফিসলশিংনা দিটেন তৌদুনা থমখি। পাউ অদু তাবদগী মুক্রাংগী খুঞ্জা কয়া থোরক্তুনা অসাম পুলিসকী টিম অদুবু কোয়শিন্দুনা থমখি। মদুনা মরম ওইরগা অসাম পুলিস অমদি ফোরেষ্ট ওফিসলশিং অদুনা নোংমৈ কাপথোরকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা অসাম পুলিসনা অতোপ্পা ষ্টেটতা লানশিল্লক্তুনা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথখিবা অদুবু চীফ মিনিষ্টরনা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা হিরম অসিগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা এক্সন খুদিংমক লৌখৎকনি হায়রি।




মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা আর টি আই ৱিক সেলেব্রেসন ২০২২ লোয়শিনবগী থৌরমদা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখিবশিং

# নাগালেন্দদা লৈরিবা চর্চশিংনা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি



কোহিমা, নভেম্বর ২২ (এজেন্সি):

মতম শাংনা চয়েৎনদুনা লাক্লবা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা নাগালেন্দদা লৈরিবা চর্চ খুদিংমক্না মতেং পাংগনি অমদি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক হোৎনবা য়াবা খুদিংমক হোৎনগনি হায়রি।

নাগালেন্দ বেপটিষ্ট চর্চ কাউন্সিলগী ৱারোল অমনা ফোঙদোকখিবদা, ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌওং য়াওহন্দনা নাগাশিংগী ইস্যু লোয়শিন্নবা হোৎনগনি। নাগালেন্দ মনুংদা লৈরিবা নাগা ট্রাইবশিংগী মরক্তা মান্নদবা ৱাখল্লোন কয়া লৈরিবা অসি হান্না হোংদোকহন্নবা হোৎনবনা মখোয়গী মরুওইবা থৌদাং ওইগনি। ঐখোয় মশেল ৱাখল তিন্নদ্রবদি কৈদৌনুংদা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙল্লোই। পুরকপা ঙল্লবসু মদুগী কান্নফম লৈরোই। মরম অদুনা ঐখোয় য়াম্না চপ মান্নবা ফিরেপ অমা লৌমন্নিদুনা থবক তৌমিন্নবগী তঙায়ফদবা লৈরি।

নাগালেন্দগী ওইনা লৈরিবা সী এস ওশিং অমদি লৈঙাক্লা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্নবা হোৎনরি। সেন্টরনসু অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীবা লৈখ্রে। অদুবু নাগা মশেলগী মরক্তা ৱাখল্লোন মান্নদবনা মরম ওইরগা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবনি। মরম অদুনা ৱারী শাবগী থবক্তা য়াওরিবা খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিল্লগা ৱারী শানবা হোৎনগনি। তোঙান তোঙান্না ৱারী শাবনা মরম ওইরগা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবা ওইরম্বদসু য়াই। পুনশিল্লবা মতমদা মতম কয়াগী মমাংদগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লাক্লিবা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন শোইদনা পুরকপা ঙমনি হায়না নাগালেন্দ বেপটিষ্ট চর্চ কাউন্সিলগী ৱারোল অসিনা মখা তারি।

# এন এস সী এন-কে ৱাই এগী কেদর অনী খুৎলায় থাদোক্তুনা সিকুরিটি ফোর্সতা চঙজরকখ্রে

ইটানগর, নভেম্বর ২২ (এজেন্সি):

অরুনাচল প্রদেশতা ঙসি এন এস সী এন-কে ৱাই এগী এক্টিব কেদর অনী খুৎলায় থাদোক্তুনা সিক্যুরিটি ফোর্সতা চঙজরকখ্রে হায়না অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা হায়রি।

অসামগী রাইফলসকী চেরোল অসিগী মতুংইন্না পুলিস অমসুং এ আরগী অপুনবা টিম অমদা খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রবা মীওই অনী অদুগী মমিং থোৱাং কোংকাং অমসুং কিমোং মিতপো কৌই। মখোয় অনী অরুনাচল প্রদেশকী তিরাপ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লাজু সর্কলদগীনি। খুঙ্গং অসিগী মীওইশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা লালহৌবশিংগী থবক থৌওং কয়াদা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রবা মতুং কেদর অনী অসি খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকখিবনি হায়রি।

অসাম রাইফলস অমদি ষ্টেট পুলিসনা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা লালহৌবশিং অরানবা লম্বী থাদোক্তুনা হান্নগী পুন্সি মহিংদা অমুক হল্লক্লবা কন্না হোৎনরি। খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরক্লবা মীওইশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগী অয়েৎপা অমত্তা পীরোই হায়না থাজবা পীদুনা লাক্লি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজকরকখ্রবশিংগীদমক পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং অদুমক পায়খত্তুনা লাক্লি হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক খুৎলায় পায়দুনা অরানবা লম্বীদা চৎলিবা মীওইশিংসু খুৎলায় থাদোক্তুনা হান্নগী পুন্সি মহিংদা হল্লক্লবা হায়রি।

# চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টতগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখ্রে

আইজোল, নভেম্বর ২২ (এজেন্সি):

২৩-সেক্টর অসাম রাইফলসকী সরচিপ বট্টালিয়ন অমসুং কষ্টমস প্রিভেন্টিভ ফোর্সনা মিজোরামগী চমফাই দিষ্ট্রিক্টদা চথখিবা থিহুম্বগী থবক্তা লানগী মতমদা শীজিন্নগদবা ষ্টোর অমা থেংনখিবগা লোয়ননা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

অসাম রাইফলসকী রিপোর্ট মতুংইন্না অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং এ আর অমসুং কষ্টমস প্রিভেন্টিভ ফোর্সকী অপুনবা টিম অমনা ইন্দো ম্যান্মার ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা ফারলুই-টিয়াও তুরেলগী মপানশিংদা থিহুম্বগী থবক চথখি। মদুদা নোংমৈ মরু হাপ্পা বোক্স ১২, ইমপ্রোভাইস গ্রেনেদ ১, চাইনিজ ওরিজিন ৭.৬২ কার্টস, ৱাকি টোকি সেট অমদি চার্জিং সেটশিং থেংনখিবনি। খুৎশু খুৎলায়শিং অদু কষ্টমস প্রিভেন্টিভ ফোর্সতা মখা তাবা লিগেল প্রোসিদিং চথনবগীদমক খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# গঞ্জা কিলোগ্রাম ১৮৬ কা কোন্ননা নুপা অমা ফারে

অগরটালা, নভেম্বর ২২ (এজেন্সি):

ত্রিপুরা পুলিস অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা টিম অমনা চথখিবা থিহুম্বগী থবক্তা নুপা অমা গঞ্জা কিলোগ্রাম ১৮৬ কা কোন্ননা ফাবা ঙমখ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং সিদাই পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসলশিং অমদি ২৯ শুবা অসাম রাইফলস বট্টালিয়নগী টিম অমনা ৱেষ্ট ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী মোহনপুর সব দিভিজন্না কোনবা হেজামারা ভিলেজতা থিহুম্বগী থবক চথখি। ভিলেজ অদুদা লৈবা অমলেস পাল কৌবা মীওই অমগী ময়ুমদা চঙদুনা য়েংলুবা মতমদা লুপা লাখ ৯ লোমগী ওইগদবা গঞ্জা কিলোগ্রাম ১৮৬ লৈরম্বা থেংনখিবনি। সিদাই পুলিস ষ্টেসননা নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস এক্টকী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা অমলেস পাল ফাজিন্দুনা থমখ্রে। মহাক মরী লৈনবা কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং ৱাহং পাউহং তৌবগী থবক চথগনি হায়না সিদাই পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর অমনা ফোঙদোরক্লি।

# বাংলাদেশতগী কুকি-চিন মীওই ২০০ হেন্না মিজোরামদা লাঞ্জেল্লকখ্রে : রিপোর্ট

আইজোল, নভেম্বর ২২ (এজেন্সি):

বাংলাদেশতা লৈরিবা ইথনিক সেপরেটিষ্ট গ্রুপ কুকি-চিন নেসনল আর্মি অমসুং বাংলাদেশ রেপিদ এক্সন বটালিয়ন অনীগী মরক্তা য়াম্না তোয়না খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্লা মরম ওইরগা বাংলাদেশতগী কুকি-চিন মীওই ২০০ রোম হেন্না লাঞ্জেল্লক্তুনা চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মখা তানা লাঞ্জেল্লকপা মীগী মশিং হেনগৎলকপা য়ানা লৈ হায়রি।



বাংলাদেশ অমসুং মিজোরাম ষ্টেট অনিগী মরক্তা কিলোমিটর ২১৮ রোমগী ঙমখৈগী শরুকশিং তাইননা লৈরি। ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবশিংগী মনুংদা নুপী ১২৫ অমদি চহী নৌরিবা অঙাং কয়া য়াওরি। মখোয় হৌজিক হৌজিক মিজোরামগী লোংতলাই দিষ্ট্রিক্টকী মখা ইথং থংবা শরুক্তা লৈবা সিমিনাসোরা ভিলেজদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি এন জি ওশিংনা চঙজফম লৌবা লাক্লিবা মীওইশিং অদুবু চান থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাং পীরি। কুকি-চিন নেসনল আর্মি অসি কুকি-চিন নেসনল ফ্রন্টকী মশা অমনি। ফ্রন্ট অসিনা বাংলাদেশতা লৈরিবা কুকি-চিন-মিজো কম্যুনিটিশিংগী মশাগী হক কঞ্জনবা অতোপ্পা ষ্টেট অমা শেম্বীয়ু হায়না দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবদা বাংলাদেশ গভর্নমেন্টনা মখোয়গী দিমান্দ অদুবু থবক্তা পাথোরক্তবদগী কুকি-চিন নেসনল আর্মিগা বাংলাদেশ সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্লবগী থৌওংশিং চথবা হৌরকখিবনি।

অমরোমদা বাংলাদেশ আর্মিনা কুকি-চিন-মিজো কম্যুনিটিশিংগী মীচম মীয়ামদা এটেক চথখিবগী থৌওং অদুবু জো রিয়ুনিফিকেসন ওর্গনাইজেসননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরকখিবগা লোয়ননা মখা তানা অসিগুম্বা থৌওংশিং থোকহন্দনবা অপিল তৌরক্লি।

## CROSSWORD-3710



**ACROSS**

1 Link (10)
7 Exonerate (7)
8 Unwanted e-mail (4)
10 Cain's brother (4)
11 Member of the family (8)
13 Cake-burning king (6)
15 Large wasp (6)
17 Mixed (8)
18 Pal (4)
21 River of Egypt (4)
22 Copy (7)
23 Comprehend (10)

**DOWN**

1 Hereditary class in India (5)
2 Invalid, not binding (4)
3 Made level (6)
4 One who makes a will (8)
5 Formal speech (7)
6 Boat with two hulls (9)
9 Autumn month (9)
12 Bring back (8)
14 Mode (7)
16 Dangers (6)
19 Listened to (5)
20 Capital of Peru (4)

Solution 3709



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5008

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 6 | | | | 1 | 8 | | |
| 1 | | | | | 4 | | | 3 |
| | 2 | | 9 | | | | | |
| 7 | | | | | | 5 | | |
| 5 | 8 | | | | | | 1 | 7 |
| | | 4 | | | | | | 2 |
| | | | | | 7 | | 6 | |
| 9 | | | 2 | | | | | 1 |
| | | 7 | 3 | | | | 4 | 5 |

### Solution-5007

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 4 | 8 | 2 | 6 | 5 | 1 | 3 | 7 |
| 3 | 2 | 5 | 1 | 8 | 7 | 4 | 9 | 6 |
| 1 | 7 | 6 | 4 | 9 | 3 | 5 | 2 | 8 |
| 8 | 1 | 2 | 7 | 5 | 9 | 6 | 4 | 3 |
| 5 | 6 | 4 | 3 | 1 | 2 | 7 | 8 | 9 |
| 7 | 3 | 9 | 6 | 4 | 8 | 2 | 1 | 5 |
| 2 | 5 | 7 | 8 | 3 | 1 | 9 | 6 | 4 |
| 6 | 8 | 1 | 9 | 7 | 4 | 3 | 5 | 2 |
| 4 | 9 | 3 | 5 | 2 | 6 | 8 | 7 | 1 |

## EMPLOYMENT NEWS

### NRCM DIMAPUR RECRUITMENT 2022 FOR 4 YOUNG PROFESSIONAL

National Research Centre on Mithun (NRCM) Young Professional Recruitment 2022
Advertisement for the post of Young Professional in the National Research Centre on Mithun (NRCM). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 5th December 2022. Candidates can check the latest National Research Centre on Mithun (NRCM) Recruitment 2022 Young Professional Vacancy 2022 details and apply online at nrcmithun.icar.gov.in/ recruitment 2022 page.
India Gk in English | 30 India Quiz General Knowledge objective Questions and Answers | Part 1
The National Research Centre on Mithun (NRCM) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nrcmithun.icar.gov.in/. National Research Centre on Mithun (NRCM) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed to Nagaland. More details of nrcmithun.icar.gov.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, results, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Young Professional
Job Location:
Medziphema, Dimapur, 797106 Nagaland
Last Date: 5th December 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 04 Posts
Educational Qualification: Candidates Should have B.Com / BBA / BBS with Minimum of 60% Marks with a Minimum of One Year of Working Experience in the relevant Field.
Pay Scale:
INR
25000-35000/- Per Month
Age Limit: 21-45 Years.
Selection Process: please refer to official notification.
Application Fee: please refer to official notification.
How to Apply:
For Further Details, Interested Candidate May Visit the Institute Website: https://nrcmithun.icar.gov.in/, This Job Source is Employment News 19-25 November 2022, Page No.45.
Important Dates:
Published on: 17th November 2022
Last date for application is: 5th December 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### GAUHATI HIGH COURT INVITES APPLICATION FOR 4 DRIVER RECRUITMENT 2022

Gauhati High Court Driver Recruitment 2022: Advertisement for the post of Driver in Gauhati High Court. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 07 December 2022. Candidates can check the latest Gauhati High Court Recruitment 2022 Driver Vacancy 2022 details and apply online at the ghconline.nic.in/ recruitment 2022 page.
DOST Scholarship 2022 - Qualifications, Requirements and How to Apply
Gauhati High Court Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ ghconline.nic.in/. Gauhati High Court selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of ghconline.nic.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Gauhati High Court
invites applications for recruitment of Driver
Driver
Job Location:
Guwahati, Kamrup, - Assam
Last Date: 07 December 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 4 Posts
Gauhati High Court
Gauhati High Court Recruitment 2022 Details
Company Gauhati High Court
Job Role Driver
Education Requirement
Total Vacancy 4 Posts
Job Locations Guwahati
Experience Fresher
Salary 14000 - 60500(Per Month)
Posted on 18 Nov, 2022
Last Date To Apply 07-12-2022
Educational Qualification: Matriculation or Equivalent. Must Possess a Valid Driving License.
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
14000 - 60500(Per Month)
Age Limit: 40 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Driver in High Court of Gauhati.
How to Apply:
The application process for High Court of Gauhati Recruitment 2022 is explained below,
Step 1: Visit the High Court of Gauhati official website ghconline.gov.in
Step 2: On the website, look for a for High Court of Gauhati Recruitment 2022 notifications
Step 3: Before proceeding, read the notification completely
Step 4: Check the mode of application and then proceed further
Important Dates:
Published on: 19 November 2022
Last date for application is: 07 December 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

